# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses




মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরক্লিবা সেদ্যুল্দ ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরবু শৌগৎলদুনা হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জর্ভেসন লোয়শঙগী থবক্তগী পোত্থারবা ওফিসরশিংনা লুপা লিশীং ১০গী শেনফম তেংবাঙবা

থোক্লিবা ক্রাইমশিং থিংবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি
লামায় ২

চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈরগসু মৈতৈ সলাই ৭ ঐখোয়দি...
লামায় ৩

এস এন চান্দ সিনে আর্কাইবস এন্দ ম্যুজিয়ম
লামায় ৪

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে
লামায় ৬

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগা খূৎশম্নদুনা কন্সটিট্যুসন দে নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবশিংবু সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা শকখঙ চে খূৎশিন্নবা



Vol. 46, Issue No. 238 | নোংমাইজিং, পোইনুগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, November 27, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## গুজরাটতা ইলেক্সন দ্যুটি চংখিবা আই আর বি পর্সনেল ১না কাপ্পদা পর্সনেল ২ শিরে, ২ শোক্কে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মথং থাগী ১দগী ৫ ফাওবা ফেজ অনী থোক্না অপূনবা মেম্বর ১৮২ খন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাটকী ১৫শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মথৌ তৌনবগীদমক ইম্ফালদগী চংখিবা আই আর বিগী তোঙান তোঙানবা বট্টালিয়ন খরগী পর্সনেলশিংগী মনুংদগী অমনা মশানা পায়বা সর্ভিস নোংমৈনা কাপ্পদা পর্সনেল ২ শিরগা ২না শোক্কে হায়রি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা পর্সনেলশিং অদুগী মমিং থোইবা অমসুং জিতেন কৌই। মখোয় অনী অমনা ৱাংজিংদগীনি অদুগা অমনা থৌবাল থিয়ামদগীনি হায়রি। অদুমকপু ওফিসল ওইবা পাউদি ফংবা ঙমদ্রি। অদুগা নোংমৈ মরূনা পানবদগী শোক্তুনা লায়কন্নরিবা পর্সনেল ২দুগী মমিংনা সুরজিৎ অমসুং লালু হায়রগা খঙনবা পর্সনেলশিংনি হায়রি। নোংমৈ কাপ্লিবা পর্সনেল অদুনা ৩শুবা আই আর বিগীনি হায়রি। অদুমকপু ওফিসল ওইবা রিপোর্ট ফংদবগা লোয়ননা থৌদোক থোকখিবগী চপ চাবা মতম খঙখিদ্রি।

## জষ্টিস এস কে কোলবু নালসাগী এগজিক্যুটিভ চেয়রমেন হাপখ্রে



ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : সুপ্রিম কোর্টকী অনীশুবা সিনিয়র জজ ওইরিবা জষ্টিস সঞ্জয় কিষণ কোলবু নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী এগজিক্যুটিভ চেয়রমেন ওইনা খনখ্রে। মসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

...মখা লামায় ৫ কলম ১

## নন মণিপুরী মানবা অশিবা হকচাং লৈরস্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা লৈকিন্থবীগী লৈকিন্থবী কম্যুনিতি হোল মনাক্তা করি মরমদগী শিবনো খঙদবা নন মণিপুরী মানবা নুপা অমগী অশিবা হকচাং থা অসিগী ২৪গী নুংথিলদা লৈরস্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা হকচাং অদু লৌখৎতুনা মমিং মথা খঙদোক্লগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন

...মখা লামায় ৫ কলম ৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Manipur Sangai Festivalna furupsing amata oiminnabagi khongfamda lepminnahanba ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leingakna Indo-Myanmar paringda anouba Police Outpost sing hangdokkani haibagi mayokta Kuki Chiefs Assnna yetlakpa chumbra?

Yes 0% No 100%

**অস! লোইরেহে!**

- নোয়বা হন্থনবা ৱাকিং চৎলু ইবেন্মা।



- ৱাকিংদি ঙম্মরোই, চাবদা ওইনা হন্থরগে খুরা।

## সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর ১সুং ইলেক্সন কম্মিসনদা হায়

# মণিপুর য়াওনা নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেট ৪দা দিলিমিটেসন তৌদ্রিবা করিগীনো

### মথং চহী ২০২৩গী ফেব্রুৱারীগী অনীশুবা চয়োল ফাওবদা কেসকী পার্টি পূম্নমক্তা কাউন্টর অমসুং রিজোইন্দর এফিদেভিট ফাইল তৌরক্নবা অয়াবা পীখ্রে




ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিং চত্থরগা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর য়াওনা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং নাগালেন্দগীনা করিগীদমক্তা দিলিমিটেসন পাঙথোক্ত্রিবনো হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা হংখিবগা লোয়ননা ষ্টেট মরিসিদা দিলিমিটেসন তৌগদবনি হায়দুনা ফাইল তৌরকপা কেসকা মরী লৈননা মসিগী পার্টি পূম্নমক্তা কাউন্টর অমসুং রিজোইন্দর এফিদেভিটশিং ফাইল তৌরক্নবা খঙহনখ্রে।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মরিগী দিলিমিটেসন তৌহনগদবনি হায়দুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা ৱাকৎলক্লিবা অসি অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী দিলিমিটেসন দিমান্দ কম্মিটিননি। ৱাকৎ অসি মখোয়না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অসিগী দাইরি নম্বরনা ১২৮৮০ ওফ ২০২২নি।

কেস অসি ঙৱাং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস কে এম জোসেফ অমসুং জষ্টিস রিসিকেশ রোইগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখি। বেঞ্চ অসিনা কেস অসিমক ঙৱাং লৌখৎতুনা খন্নখিবগী মরমনা ষ্টেট মরি অসিগী মনুংদা অথুবা মতমদা পাঙথোকফম থোকপা মীখলশিং পাঙথোক্কদবা য়াওবদগী তঙাইফদবা অদু য়েংলদুনা লৌখৎখিবনি হায়রি।

জষ্টিস অনীগী বেঞ্চনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা কেস অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জি গাংমৈনা তৌখিবা সবমিসনশিংগী মনুংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর য়াওনা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং নাগালেন্দগীসু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট (আর পি এ), ১৯৫০না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকফম থোকই হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা য়েংলবদি ষ্টেট অসিগী মীখল পাঙথোকখ্রে। অদুবু দিলিমিটেসন পাঙথোক্কদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লিবা ষ্টেট মরি অসিগী মনুংদা য়াওরিবা নাগালেন্দগীদি হৌজিক মীখল পাঙথোক্লবগী মতম নকশিল্লক্লবনি। অদুম ওইনমক পাঙথোকফম থোক্লিবা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিং তৌদবনা হৌজিকসু মখা তানা চহী কয়া অমগসু ঙাইবগী ফীভমদা লৈরে হায়খি।

এদভোকেট জি গাংমৈনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টকী মায়কৈদগী কেস অসিদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলদা ওনশিন্দুনা দিলিমিটেসন পাঙথোক্কদবনি হায়রিবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা দিলিমিটেসন পাঙথোক্লবগীদমক থোকখিবা নোটিফিকেসনদগী লৌথোক্লব্রা হায়বা ৱাহং হংখি।

কোর্টকী মায়কৈদগী হংলকপা ৱাহং অসিগী পাউখুমদা ঈ সী আইগী মায়কৈদা কম্মিসন অসিবু মহুৎ শিন্দুনা লেপখিবা কাউন্সেলনা ফোঙদোকখিবদা দিলিমিটেসন পাঙথোক্কনি হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা ট্রাইব মখল কয়া লৈ। মরম অসিনা থবক অসি 'সেন্সিটিভ' ওই হায়খি।

অদুম ওইনমক ঈ সী আইগী কাউন্সেলনা ফোঙদোরকপা ৱাফম অসি তারবা মতুংদা কোর্টকী মায়কৈদগী অমুক্কসু মঙোন্দা ওনশিন্দুনা হংখিবদা কোর্টতা সবমিসন তৌরক্লিবা ৱাফম অদুগী ৱাহন্থোক করিনো ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মপুনা পংথাদা থাদোকপা ষণশিং আই এম সীনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী ফাগৎপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এনএস) : থা অসিগী ১৪দা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর ক্ষেত্রিময়ুম গ্যানেন্দ্রনা থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৮ হেল্লকপদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী তোঙান তোঙানবা মফম ২দগী ষণবুশিংনা পংথাদা থাদোকপনি হায়বা ষণ অমোম অনী ফাগৎপা হৌখ্রে।

ষণ অমোম অনী অদু অমনা শামু মখোঙ ময়াদগী ফাগৎলগা অতোপ্পা অমনা টেম্পররি মার্কেটকী মমাঙ থংবা শরুক্তা লৈবা ফেমিলি ৱেলফেয়র তাবা লন্থী পরিংদগী ফাগৎখিবনি। থবক অসি লৌখৎলকপদা নোটিস অসিবু থোকখিবা আই এম সীগী এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর মশামক য়াওখিবগা লোয়ননা কোর্পোরেসনগী ওইবা গাড়ী পুদুনা লাকখি। ষণশিং অসি অহানবদা থৌরি থুরবা মতুংদা গাড়ীদা হাপকৎলগা পোরোম্পাৎতা লৈবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙগী ইন্টেন্সিভ কেট্টল দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টকী কেম্পস তান্না পুখিবনি।

ঙসিদগী লৌখৎপা হৌখিবা থবক অসিগী মতাংদা কে



এস ঐচ গ্যানেন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা ষণ, শগোল অমসুং হামেংনচিংবা য়ুমদা য়োক্কদবা শাশিংগী মপুশিংনা মশা মশাগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# সঙাই ফেষ্টিবেল অসি কুম্মে খক্তা নত্তে অমত্তা ওইমিন্নবগী মশক উৎপনি : বিরেন

### সেনাপতিগী মখেল খুলদা মণিপুর হেরিটেজ সাইট ১সুং ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২১দগী চত্থরক্লিবা ১১শুবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল, ২০২২গী শরুক অমা ওইনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখেল ভিলেজদা চৎতুনা মফম অদুদা নৌনা শেমগৎপা মণিপুর হেরিটেজ সাইট অমসুং মখেল হেরিটেজ ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে।

থৌরমশিং অসিবু লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টরবু মখেল খুলগী চীফ অমসুং মাও কাউন্সিলগী মীহুৎশিং য়াওনা মখেল খুলগী খুঙ্গাশিংনা হরাও তয়াম্না ওকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ, খাসিম ভাসুম, রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. লোরহো ফোজে, মাওগী এম এল এ লোসি দিখো অমসুং কারোংগী এম এল এ, জে কুমোসাসু শরুক য়াখি।



থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙলদুনা মাও কাউন্সিল অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা তেল্লবা থা ২ মখায়গী মনুংদা হেরিটেজ সাইট অসিবু মপূং ফানা লোইশিনবা ঙম্নগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুগা হেরিটেজ সাইট অসিদা কনফরেন্স হোল অমা অমসুং লৈফম চাফমনচিংবসু শাগৎখিগনি হায়দুনা লাউথোকপগা লোয়ননা মখেল খুলদা লৈরিবা মণিপুর হেরিরেটজ সাইট অসি মালেমগী *লামায় ১গী মখা...* থাক্তা লৈবা হেরিটেজ সাইট অমা ওইহন্নবা শেমগৎলগনি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## দিজিটেল রেভল্যুসন মায় পাক্লবা মতমদা হেন্না চাওখৎপা নেসন অমা শেম্বা ঙমগনি ঃ জয়সঙ্কর

### এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ডা. এস জয়সঙ্করগা এম য়ু য়াওনা মহৈ লোয়শঙশিংগী মহৈরোয় অমদি ফেকলটি মেম্বরশিংগা ইন্টরেক্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী ওইনা দিজিটেল রেভল্যুসন অসি হৌজিক হৌজিক অন দরপ্রোসেসতা লৈরি। দিজিটেল রেভল্যুসননা মায় পাক্লবা মতমদা হেন্না চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না য়ুনিয়ন এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ডা. এস জয়সঙ্করনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন টেন্টরদা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমদি ওজাশিং লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা অতোপ্পা ইন্সটিট্যুসনশিংদগী লাকখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং অমসুং মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স দা. এস জয়সঙ্করগা ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরম অমগা মরী লৈননা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর জয়সঙ্করনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা দিজিটেল রিভোল্যুসনগী খোঙজং অসি য়াংশীল্লক্লি। অওনবা অমা পুরক্নবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা চেলেঞ্জ কয়া ঐখোয়না মায়োক্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতম অসি কম্পিটিসনগী মতমনি। লৈবাক অসি চাওখৎহন্নবগীদমক অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা হেন্না ফবা মরী থম্নবগীদমক কম্পিটিসন য়াম্না মথৌ তায়। চাওখৎপগী লমজেলদা কম্পিটিসন তৌনরক্নবা মতমদা মপাঙ্গল কনবা ইন্দিয়া ওইহনবা ঙমগনি। মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চাওখৎপগী লন্থীদা খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লক্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। মপুং ফানা চাওখৎপা লৈবাক অমা ...মখা লামায় ৯ কলম ১

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগা থাইলেন্দগী য়ুনিভর্সিটি ১গা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনভর্সিটি ওফ কলচরগী পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌদোক অমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম হোটেল নির্মলাদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রার এল রাধাকান্তগা থাইলেন্দগী সুরিন্দ্র রাজভাট য়ুনিভর্সিটিগী মরক্তা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অনীগী মায়কৈদা খূৎয়েক পীনখিবা অসিদা মহৈকোল অনীমক্কী মহৈরোয়শিং অমসুং ষ্টাফ মেম্বরশিংগী মরক্তা কলচরেল একচেঞ্জগী জোইন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা, আর্ট এন্দ কলচরগী প্রোগ্রামশিং পূন্না পাঙথোকমিন্নবা, তোঙান তোঙানবা কলচর অমসুং পর্ফোর্মিং আর্টকী লম্দা জোইন্ট রিসর্স তৌমিন্নবা অমসুং একাদেমিক অমদি রিসর্স কম্যুনিতিশিংগী মরক্তা আর্ট এন্দ কলচরগী ৱাখল্লোনশিং একচেঞ্জ তৌবগী থবক্তা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংসু য়াওরি।

## কোংগ্রেস ভবনদা কন্সটিট্যুসন দে : লাইনীংনা তোঙান তাহনবা য়ানীংদে : ইবোবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : লাইনীং লিচৎ হায়বসিদি মানা-মানা অপান্থদা চৎচবনি। মণিপুরদা হিন্দু লাইনীং চঙলকপা অমদি চীংগী এরিয়াদনা খৃষ্টান লাইনীং চঙলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর অসি করি করম্বা লাইনীং চৎনরম্বনো হায়বগী চপ চানা খঙদ্রবসু চীং অমদি তমদা লাইনীং অমখক্তমক চৎনরম্বা য়াই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা 'কন্সটিট্যুসন দে' গী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, লাইনীংনা মরম ওইরগা ঐখোয় মশেলবু তোঙান্না উহনবগী থৌওং য়ানীংদে। ৱাফম অসি লাল্লম্বসু য়াই অদুবু মসি মহাক্কী ওইবা ৱাখলনি হায়খি। মরম অসিনা ঐখোয় পূন্নমক লৈবাক অসিদা লৈবা মীওই ঙাক্তনিনা কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট লৈবা মীওইশিংনি। ঐখোয় পূন্নমক সেক্যুলরিজমদা থাজরিবনি অদুগা সেক্যুলরিজম হায়বসিনা ঐখোয়গী য়াংলেন শরূনি। লাইনীং লিচৎতি মানা -মানা পান্থদা চৎচবগী ৱানি। লাইনীং খেন্নবনা ঐখোয়বু তোঙান্না উহনবদি লানগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্না হায়, ঐখোয়না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু নীংশিংবগী মরমদি লৈবাক মীয়াম্না কন্সটিট্যুসন অসিগী মখাদা পীরিবা রাইটশিং ফংনবা হোৎনবনি। ঐখোয়গী মীয়ামগী মরক্তগী খোঙজং কয়া চঙশিনবা অমদি কেস অমা থেংননবা হোৎনবদা উকিল নেকপগী অৱাবশিং তোকখ্রগা জুদিসরিগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা য়ৌহল্লবদি লায়রবা কোর্ট য়ৌবা ঙমজদবা ময়ামসু লোগী ওইবা অচুম্বশিং ফংবা ঙমগনি হায়খি।

জষ্টিস ফংদবদগী ঐখোয়গী ফংফম থোকপা রাইট ময়াম ফংদবগী ফীভম মায়োক্নরে হায়বসি লৈতবা নত্তে। মরম অসিনা ঙসিগী থৌরম অসিদা মীয়ামদা জষ্টিস ফংহন্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়খি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু সেক্যুলরিজম থাজদুনা মসিগী ৱাহন্থোক খঙগদবনি। মীয়াম্না ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন ফংলিব্রা হায়বসিসু নৈনবা চুমগনি হায়খি।

## তমেংলোংদা মীরেপ ওইখিবা হুরি গোলমৈগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম লুপা ২১,৪৬,৫৬৪ ওইখি

**১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিং খঙমিন্নসি-১৮**

**হুরি গোলমৈ (তমেংলোং)**

**খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : চহী অসিদা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ৫৩-তমেংলোং (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পি মীরেপ ওইখিবা হুরি গোলমৈ (৬৩) নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা তাউবম ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা পাউজাইচুং গোলমৈগী মচানুপানি। কুমজা ১৯৮৬তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী বি এস সী লোইশিনখি। মহাক্কী লোয়নবী অচুং গোলমৈ হাউস ৱাইফ অমনি।

মীখলগী মাঙওইননা মহাক্না ইলেক্সন রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা এফিদভিট অদুগী মতুংইন্না মীখল মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা শেল ওইনা লুপা ১,৫০,৩০০ লৈখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবী অচুং গোলমৈগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ১,৩০,৫০০ লৈখি। মহাক্কী কেনেরা বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা শুপ্পগী লুপা ১,০০০ য়াওখি। অনীশুবদা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৯,৬৮,৬১৪ লৈখি। অহুমশুবদা এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৩৪,৪৬৬ য়াওখি। মরিশুবদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২,১২,১৮২ লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২,৩৯,৫৯৮ লৈখি। মহাক্কী মীংদা এল আই সী পোলিসিদা এস্যুর এমাউন্ট ওইনা লুপা ৫,০০,০০০ ওইনা ইনভেষ্ট তৌরি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদসু এল আই সী পোলিসিদা লুপা ২,৫০,০০০ অমদি অনীশুবা এল আই সী পোলিসিদা লুপা ৭,১৫,০০০ ইনভেষ্টমেন্ট তৌরি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্না লুপা ৩০,০০০ লোম ওইগদবা গ্রাম ৫গী সনাগী খুদোপ অমা লৈ। লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্না লুপা ১,১০,০০০ ...মখা লামায় ৫ কলম ১

## নেসোগী নুমিৎ হুমনিগী মীফমনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : ত্রিপুরা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি এস এফ) না শীন্দুনা ত্রিপুরাগী খুমুলৱাংদা থা অসিগী ২৪দগীনা ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিবা নুমিৎ হুমনিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) গী ৬শুবা জেনরেল কনফরেন্সনা মপূং ওইবা হীরম মরিদা কূপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসন অসিনা মরু ওইবা ইস্যুশিংদা লেপকদবা ৱারেপশিং লৌখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি নেসোগী চেয়রমেন শাম্যুএল বি জাইরৱা অমসুং নেসোগী জেনরেল সেক্রেটরি সিনাম প্রকাসনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

মীফম অসিদা ইল্লিগেল ইমিগ্রেসন, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এদ্যুকেসনগী ফীভম, এমপ্লোইমেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## কন্সটিট্যুসনগী রাইটশিংদা নত্তনা ঐখোয়না দ্যুটিসু খঙগদবনি : মিনিষ্টর বসন্তকুমার

### মণিপুরগীসু কন্সটিট্যুসন দে, ২০২২ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : লৈবাক্কী মফম অতৈদা পাঙথোক্ল বগুম মণিপুরদসু ঙসি লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙনা শীন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুসনবু এদোপ্টসন তৌখিবা নুমিৎপু নীংশিংলদুনা কন্সটিট্যুসন দে, ২০২২ পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা 'সংবিধান দিবস' হায়রগসু খঙনরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৫০দগী হৌরক্লদুনা চহী খুদিংগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু এদোপ্টসন তৌখিবা নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবনি হায়রদুনা লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুসন অসি নবেম্বর ২৬, ১৯৪৯দা এদোপ্টসন তৌরগা জন্যুৱারী ২৬তা ১৯৫০দগী চৎনবা হৌরকখিবনি হায়খি।

চৈরকসিদা নবেম্বর ১৯, ২০১৫দা য়ুনিয়ন সোসল জষ্টিস অমসুং এম্পৱারমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা নোটিস অমদসু ঙসিগী নুমিৎ অসিবু কন্সটিট্যুসন দে হায়দুনা পাঙথোক্লগনি হায়না ...মখা লামায় ৯ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫